চাইনানা য়ু এসকী তোঙান তোঙানবা পোৎলম ১২৮ দা তারিফ থমখ্রে

American Grocery
美國
www.u
盤 點 清 貨 大 減 價

বৈজিং, এপ্রিল ০২ (এজেন্সি): চাইনা অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা লল্লোন ঈতিক্কা মরী লৈননা অনৌবা লাল্লোং অমা চথরকপগা লোয়ননা অমেরিকাগী তোঙান তোঙানবা পোৎলম ১২৮ দা চাইনানা চাদা ২৫ গী চাংদা তারিফ লৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

মার্চ ২২ দা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা চাইনাদগী পুশিল্লকপা পোৎলম খুদিংমক্তা দোল্লর বিলিয়ন ৬০ গী টেক্স লৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা চাইনানা লমন খুম্নবগী মওংদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি।

ষ্টেট কাউন্সিলগী কষ্টমস তারিফ কম্মিসন্না উহৈ অমদি মরী লৈনবা পোৎলমশিং য়াওনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতগী পুশিল্লকপা পোৎলম ১২০ দা চাদা ১৫ গী চাংদা তারিফ লৌরগনি হায়না ফোঙদোকখি। ওকসা অমদি মরী লৈনবা পোৎলমশিংদনা চাদা ২৫ গী চাংদা তারিফ লৌরগনি হায়রি।

অনৌবা তারিফকী চাং অসি নিংথৌকাবা নুমিৎতগী চৎনবা হৌরে হায়না মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা ফোঙদোকখি। ৱর্ল্ড ট্রেদ ওর্গনাইজেসন (দব্লিউ টি ও) গী কাঙলোন থুগায়দুনা চাইনাগী মথক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লাউথোকখিবা অনৌবা তারিফ লৌবগী থৌরাং অদুদি মার্চ ২৩ দগী চৎনবা হৌখ্রবনি।

ৱাশিংতন্না লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অদুবু বৈজিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। য়ু এসনদি অমেরিকান কম্পেনিশিংগী ইন্টলেকচুয়েল প্রোপর্টি কয়া চাইনানা লোন্না হুরাল্লম্বা থেংনবদগী অনৌবা তারিফ চৎনহনখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মালেমদা খ্বায়দগী মতিক ময়াই লৈবা লৈবাকনি হায়না লৌনরিবা য়ু এস অমসুং চাইনাগী মরক্তা অমনা অমদা তারিফ লৌবগী থৌওং চথুদুনা শেন্মিৎলোনদা চাউনা অকায়বা থোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা চাইনাগী পোৎলমশিংদগী দোল্লর বিলিয়ন ৫০ তারিফ ওইনা লৌরগনি হায়না লাউথোকখি।

থৌওং অদুগী লমন খুম্বা ওইনা চাইনানসু য়ু এসকী পোৎলম খরদা লৌরম্বা তারিফকী চাং হেনগৎহন্নবা ফিরেপ লৌখি।

য়ু এস অমদি চাইনাগী মরী শোকচিল্লকখিবগা লোয়ননা চাইনাগী কর্ম্মস মিনিষ্ট্রিনা তোঙান তোঙানবা অমেরিকাগী পোৎলম ১২৮ দা লৌরম্বা তারিফকী চাং হেনগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকখি। লমন খুম্বা ওইনা হ্বাইট হাউসনসু চাইনাগী মথক্তা ইনভেষ্টমেন্ট তৌবা য়াহন্দনবগী অথিংবা থম্নবা হোৎনরকপগা লোয়ননা ৱর্ল্ড ট্রেদ ওর্গনাইজেসনগী খুথাংদা অনৌবা থৌরাং কয়া লৌখৎনবা হোৎনরি।

মেক্সিকোগী জেল অমদা থোকখিবা রাইওটতা পুলিস ওফিসর তরেৎ শিখ্রে

মেক্সিকো, এপ্রিল ০২ (এজেন্সি): মেক্সিকোগী জেল অমদা থোকখিবা রাইওটতা পুলিস ওফিসর তরেৎ শিরে হায়না মেক্সিকান ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

জেলদা লৈরিবা মীওইশিং ঈরাং হৌরকপদা লাকশিন্নবা হোৎনরুবদগী নাকল অনী খুৎ থোক্লরকপদা পুলিস ওফিসর তরেৎ লৈখিদবনি হায়রি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, নোংমাইজিং নুমিত্তা নোংপোক থংবা ভেরাক্রুজ ষ্টেটকী এমাতলাম দি লোস রেয়িসতা লৈবা লা তোমা রিজনদা ফাদোক ময়াম ঈরাং হৌরকখি। পুলিসনা ঈরাং হৌরকখিবা ফাদোকশিং লাকশিন্নবা হোৎনরুবদা নাকল অনী খুৎ থোক্লরকপদগী ওফিসর তরেৎ অদু শিখি হায়না ন্যুজ রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অদুনা হায়খি, ফাদোক কয়া মশা মশাগী কাদগী চেন্থোরকপগা লোয়ননা মখোয় মশেল খৎন চৈনবা হৌরকখি। থোকখ্রিবা থৌদোক অদু মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বগী মতাংদা চপ চাবা লংলা লংজিন পুথোকপা ঙম্নবগীদমক মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন চথুবা হৌরগনি হায়না প্রোসিক্যুটরশিংনা ফোঙদোকখি।

মমাং চহীগী ওক্তোবরদসু খা থংবা মেক্সিকোগী নুভো লিওনদা লৈবা জেল অমদা ফাদোক মশেল খুৎ থোক্লরকপদা মীওই ১৩ শিবা লৈখ্রবনি।

থৌদোক অদুদা মীওই নিপান ফিভম থিনা শোকপদগী লায়কন্নখি। লোকেল মিদিয়াগী রিপোর্টনা হায়খি, ফাদোক ২৫০ না ঈরাং হৌরকপগা লোয়ননা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা খুৎ থোক্লরকপদগী মীশি মীনা য়াওখিবনি।

কুমজা ২০১৬ কী ফেব্রুৱারি ১২ দসু অৰাং থংবা মেক্সিকোগী মোনতেরি মনাক্তা লৈবা জেল অমদা ফাদোক মশেল খুৎ থোক্লরকপদগী মীওই ৪৯ শিখ্রবনি।

ন্যুভা লিওন ষ্টেটকী জেমি রোদ্রিকনা হায়খি মদুদি, তোপোচিকো জেলদা ফাদোক মশেল খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা মীওই ৪৯ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ১২ অশোক অপন নংখি। জেলগী পোৎচৈ থস্ফম কা অমসু মৈ চাকখৎলকখি।

মপানদা লৈরিবা ফাদোকশিংগী মরী মতা কয়ানা জেল তাবা লম্বী পুম্নমক থিংজিনখিবগা লোয়ননা জেলদা মনুংদা থোকখিবা থৌদোক্কী অকুপ্পা ৱারোল খঙহন্নবা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা তকশিনখি।

মীওই অমনা এজেন্সীদা হায়খি, জেলদা লৈরিবা ফাদোকশিং ওৎ নৈবা য়ানবা অরানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা মীওৎ মীনৈ চথুরে হায়বা খঙবদগী লম্বী থিংদুনা খোঙজং চঙশিনবনি।

অমরোমদা, রোদ্রিকনা হায়খি, য়েংথিনবা ফাদোক মশেল খুৎ থোক্লবা হৌরকপদগী জেল মনুংদা মৈ থাবগী থৌদোক থোকখিবগা লোয়ননা অমাঙ অতা য়াওখিবনি। মীয়াম্না কিনরবা জেটাস দ্রগ কার্টেলগী লুচিংবা জোন পেদ্রোনা লুচিংবা কাঙলুপ অমনা অতোপ্পা ফাদোকশিংদা খুৎ থোক্লবা হৌরকখিবনি।

সিরিয়াদগী অমেরিকান লান্মী লৌথোকপগী মতাংদা রিপব্লিকান সিনেটর লিন্দসে গ্রহামনা অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে

ৱাশিংটন, এপ্রিল ০২ (এজেন্সি): য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা সিরিয়াদগী অমেরিকান লান্মী লৌথোক্লবা ৱাফম পুখৎলকপগী মতাংদা রিপব্লিকান সিনেটর লিন্দসে গ্রাহামনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

সিনেট আর্মদ সর্ভিসেস কম্মিটিগী মেম্বরসু ওইরিবা রিপব্লিকান সিনেটর লিন্দসে গ্রাহামনা হায়খি মদুদি, প্রসিদেন্টনা সিরিয়াদগী লান্মী লৌথোক্লবগী মতাংদা লৌরিবা ফিরেপ অসিনা তুংদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লহল্লকপা য়াই। ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিং লাকশিনবা ঙম্বগী ফিভম লাক্লবা মতমদা অমেরিকান লান্মী পুম্নমক সিরিয়াদগী লৌথোকপা হায়বসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে।

হ্বাইট হাউসকী নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা মথং চয়োলদা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্লগা য়ু এসনা লুচিংদুনা সিরিয়াদা ইস্লামিক ষ্টেটকী মথক্তা চথুরিবা কেম্প্যেনগী মতাংদা কুপ্পা খন্নগদৌরি।

ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনগী সেনিয়র ওফিসল অমনা রোইটর্সতা হায়খি মদুদি, হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা সিরিয়াদগী লান্মী পুম্নমক লৌথোকপা হায়বসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তেহায়বা ত্রম্পনা ময়েক শেংনা খঙই। মরম অদুনা লান্মী লৌথোকপগী থৌরাং থবক্তা ওন্থোরক্কদ্রা হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। সিরিয়াদা হৌজিক হৌজিক অমেরিকান লান্মী ২০০০ রোম থল্লিবনি।

অমরোমদা, ওপোজিসন্না খুদুম চল্লিবা ইষ্টর্ন ঘোটাগী দোমা টাউনদা কাউন্সিলগী মেম্বর অমনা হায়খ্রে মদুদি, সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টতা রেবেল ফোর্সেসনা সরেন্দর তৌরগনি হায়বা ৱাফম অসি অরানবনি। হৌজিকমক্কী ওইনা নাকল অনী খুৎলায় থাদোক্লবগী মতাংদা য়ান্নবা পুরকপা লৈত্রি।

কাউন্সিলগী মেম্বর ইয়াদ অব্দুল অজিজনা হায়খি, রেবেল ফাইটরশিং অৰাং থংবা শিরিয়াগী দোমা টাউন থাদোক্তুনা চৎখিনবগী মতাংদা নাকল অনী য়ান্নবা পুরক্লবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমদ্রি।

ইষ্টর্ন ঘোটাদা লৈরিবা রেবেল ফাইটর পুম্নমক মফম অদু থাদোক্তুনা অতোপ্পা মফম অমদা চৎখিনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না ষ্টেট মীদিয়াগী রিপোর্টনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ফাইলাখ অল রহমন য়াওনা রেবেল গ্রুপ কয়াগী ফাইটরশিংনা দোমা টাউন খুদুম চনশিন্দুনা থল্লম্বদগী ঙাইহাক লৈতনা মফম অদুদা হাৎন-শুনবগী থৌদোক থোক্তুনা লাকখিবনি। হৌজিক্তি রেবেল পুম্নমক চৎখিবগী ফিভমদা লৈরবনিনা ইষ্টর্ন ঘোটাদা মহৌশাগী মতৌগুম ইং-তপ্পা ফিভম হঞ্জিল্লক্লগনি হায়না থাজনখিবনি।

দোমাদা লৈরিবা খ্বাইদগী মতিক-ময়াই লৈবা রেবেল গ্রুপ জাইশ অল ইস্লামনা খূৎলায় থাদোক্তুনা চঙজনবগী মতাংদা রসিয়াগা ৱারী শানবা হৌরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা অশোক-অপন নংলবা জাইশ অল ইস্লামগী ফাইটরশিং অমসুং মীচম পুম্নমক অৰাং নোংচুপ থংবা ইদলিবতা হোংদোকখিনবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখি। অদুম ওইনমক সিরিয়াদা লৈরিবা ইস্লামিক ষ্টেটকা শম্নবা মিলিটেন্ট গ্রুপ পূম্নমক খূৎলায় থাদোকহনবগী মতাংদদি য়ানবা পুরকপা ঙমদ্রি।

অমরোমদা, ফ্রান্সনা সিরিয়াদা লৈরিবা টর্কিশ ফোর্সেস মায়োক্লনবা লান্মী থাজিল্লক্লে হায়বা ৱাফম অমা অরানবনি হায়না ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুএল মেক্রোননা ফোঙদোকখ্রে। কর্দিশ ফাইটরশিং য়াওনা সিরিয়ন রেবেলশিংগা লোয়ননা পেরিসতা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা মেক্রোননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

টর্কিশ প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িপ অর্দোগননদি সিরিয়াদা ফ্রান্সনা লান্মী কয়ামরুম থাজিল্লক্লে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। ফ্রেঞ্চকী ওফিসল অমনা হায়খি, টর্কিদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী য়েংলগা টর্কিশ প্রসিদেন্টনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসিদা থোইদোক্লা ঙক্লিংঙাই ওইদে। অদুম ওইনমক য়ু এসনা লূচিংলগা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী মায়োক্তা চথুরিবা লাঞ্জংদা ফ্রান্সকী লান্মী য়াওবা তারবসু নৌনা টর্কিদা লান্মী থাজিনবগী ৱাফম লৈতে। শগোলশেন নুমিৎতা সিরিয়ন ডেমোক্রেটিক ফোর্সেসকা মেক্রোনগা উনদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা কর্দিশ ফাইটরশিংনা হায়খিবনি মদুদি ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্টনা টর্কিগা লোন্নবা সিরিয়াগী ঙমখৈ মনাক্তা নৌনা লান্মী থাজিনবগী ৱাফম অয়াবা পীরম্বা লৈখ্রবনি।

ইমুংগী থবক তৌনবা থম্বা নুপী হাৎখিবগীদমক মতৈ মনাও শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রে

কুৱেট, এপ্রিল ০২ (এজেন্সি): ইমুং মনুংগী থবক ইনখাং শুনবা থম্বী ফিলিপিনো নুপী অমা শিখিবগা মরী লৈননা লেবানিজ নুপা অমা অমসুং মহাক্কী লোয়নবী সিরিয়ান নুপী অমা কুৱেটকী কোর্ট অমনা শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রে।

জোনা দেমা ফেলিস কৌবী ইমুংগী থবক ইনখাং শুনবা থম্বী নুপী অদুগী থৱাই য়াওদ্রবা হকচাং ফ্রিজরদা শিনা লৈরম্বা থেংনখিবনি। মীওই অদুবু হাৎতোক্লগা চহী অমরোম ফ্রিজরদা হাপচিন্দুনা থম্লম্বদগী হৌখিবা ফেব্রুৱারি থাদা থেংনরকখি।

থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা কুৱেট অমদি ফিলিপিন্সকী মরক্তা চাউনা নুংঙাইনদবা থোরকখিবগা লোয়ননা দিপ্লোমেটিক ক্রাইসিস থোরকপা য়াবগী ফিভম লাকখি।

ফিলিপিন্সতা মীয়াম্না থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ঈরাং হৌরকপদগী ফিলিপিনো অমত্তা কুৱেটতা চৎপা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখি।

ইন্টরপোলনা থৌদোক অসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথুরবা মতুংদা চেন্নরিবা মতৈ-মনাও অদু ফেব্রুৱারি থাদা সিরিয়াদগী ফাখি। নাদর ইসাম অশ্রফ অমদি মহাক্কী লোয়নবী মোনাবু কুৱেটকী কোর্ট অমনা মশা য়াওদনা ত্রাইয়েল চথুরবা মতুংদা ইমুংগী থবক শুনবা থম্বী নুপী অমা হাৎখিবগী মরালদা শিবগী চৈরাক পীনবা ৱায়েল লাউথোকখি। কুৱেট অমদি অতৈ গল্ফ লৈবাকশিংদা মপান লৈবাক্তগী থবক শুবা লাকপা মীওইশিংদা থৌদোক অদুনা নিংবা কায়হনখি।

HL-B/4530/13/3-13/4

B.C.C. Manipur
Under the guidance of BOSEM/COHSEM Estd. 1995
KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
(The longest Coaching Centre in Manipur and 21 years service)
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSES FOR CLASS X, XI & XII Sc.
CRASH COURSE FOR NERIST 2018
Our selected students for last year
Class Start on: 18th March, 2018 (NERIST)
29th March, 2018 (X, XI & XII)
Class Timing: 6:30 am to 9:00 am (Morning)
4:30 pm to 7:30 pm (Evening
Please Contact:
B.C.C. Manipur
(Elite Sr. Sec. Building)
Kakwa Asem Leikai, Burma
Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 7005684125

HL-P/557/15/2-18/3(Alt.)

TUTORLINE STUDY CENTRE
Estd. 2009
KEISHAMPAT, SEGA ROAD near NAHAROLGI THOUDANG
ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION COURSES
EASTERN INDIA SCIENCE FAIR (EISF) - 2018
Congratulations :- Our student Thiyam Nandalal (Zone 17) got 1st Position in Eastern India Science Fair-2018, Kolkotta.
Class XI & XII (COHSEM)
Subjects :
Maths, Physics, Chemistry, Biology & English.
Van & Hostel facilities are available.
Seats are limited, hurry
Class Commencing :
From 5th April, 2018
Timing: 4:15 to 7:35 p.m.
Foundation Courses for Class IX & X will be started from 10th May, 2018
Office Hour : 2:00 pm to 5:00 pm
Plz. Contact : 9774233498 / 9856574172

HL-P/777/17/3-18/4

CAMBRIDGE ENGLISH
At Keishamthong Elangbam Leikai Leirak Macha, Imphal West.
Admission Starts! 10 Seats only!
GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH
Group 1:Special (Classes-X,XI,XII appeared students & others)
Group 2: Senior (Teachers, Office goers, Businessmen & others)
Group 3: Student (College, University and Job Hunters etc)
Special English : Competitive Exams.
Outstanding Features: Complete study material specially designed for the target improvement-Regular tests and assignments for vocabulary, grammar, drills & group discussion, interview skills (SSB, SSC, UPSC, LIC, Bank PO etc.)
2nd Batch starts on 5th April 2018 & 3rd Batch starts soon
Class time: Morning - 1) 05:00 am to 06:20 am 2) 06:30 am to 08:00 am
3) 08:20 am to 09:50 am 4) 10:00 am to 11:30 am
Afternoon -1) 12:00 pm to 01:30 pm 2) 01:30 pm to 03:00 pm
3) 03:00 pm to 04:30 pm 4) 04:30 pm to 06:00 pm
Place: 1. Keishamthong 2. Singjamei Supermarket (Smart Tutorial)
For Address Contact- 9774463856 & 9402280502 (H.Chinglen)
2nd Batch English Class-X (BOSEM) on 12th April 2018
NB: Home Tutor, Hostel facility and Van service available

HL-P/3238/1313/3-12/4

EDUCITY TUTORIALS
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER, IMPHAL NEAR TRAFFIC POINT
& SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI, NEAR ORIENTAL COLLEGE
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018
CLASS - I TO X
CLASS - XI & XII (SCIENCE)
Both CBSE & BOSEM
Register Now! Register Now!
➲ STUDY MATERIALS ➲ SUGGESTIONS
➲ SPECIAL TEST ➲ COUNCELLING
➲ VAN FACILITIES ➲ WELL EXPERIENCE TEACHER
➲ HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS (Rs. 3000/- Months)
FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 800/- Months)
CLASS VI TO VIII (Rs. 1000/- Months)
CLASS IX & X (Rs. 2000/- Months)
CLASS XI & XII (SC.) (Course Fee: 4 Months Rs. 14,500/-)
CLASSES STARTING FROM 12th & 20th MARCH, 2018 (LIMITED SEATS)
Please Call: +91-9612194500
TIMING: 5:00 TO 7:00 AM
4:30 TO 7:30 PM

IN THE COURT OF CIVIL JUDGE SENIOR DIVISION, IMPHAL WEST AT LAMPHELPAT

Original (Eviction) Suit No. 62 of 2015

Shri Charoibam Kunjobabu Singh aged about 52 years, S/o Late Kalachand Singh, by profession Cultivator, resident of Lamdeng, P.O. & P.S. Lamsang, Imphal West District, Manipur.

... Plaintiff

–Versus–

1. Smt. Charoibam Ongbi Shakhi Devi aged about 60 years, W/o Late Charoibam Inakhunba Singh, by profession business, resident of Khwai Lalambung, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur and 6 others.

... Defendants

SUBSTITUTED SERVICE OF SUMMONS UNDER ORDER V, RULE 20 OF C.P.C. 1908

To,

1. Smt. Charoibam Ongbi Shakhi Devi aged about 60 years, W/o Late Charoibam Inakhunba Singh, by profession business, resident of Khwai Lalambung, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur.
2. Charoibam Debachandra Singh aged about 35 years, S/o Late Ch. Inakhunba Singh by profession businessman a resident of Khwai Lalambung, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur.
3. Smt. Charoibam Ningol Khwairakpam Ongbi Ibecha Devi aged about 32 years, W/o Khwairakpam Tomba Singh a resident of Joypur Khunou, Bishnupur Ward No. 10, P.O. & P.S. and District Bishnupur, Manipur.
4. Charoibam Chanchan Devi aged about 30 years, W/o Gopen Singh of Salungpham Mayai Leikai near K.K. Primary School, P.O. Wangjing, P.S. Thoubal, Thoubal District, Manipur (She is the proprietor of Gopen Jewellary Works, Salungpham Mayai Leikai).
5. Charoibam Manichandra Singh aged about 28 years, S/o Late Ch. Inakhunba Singh by profession businessman a resident of Khwai Lalambung, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur.
6. Charoibam Boynao Singh aged about 25 years, S/o Late Ch. Inakhunba Singh by profession businessman a resident of Khwai Lalambung, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur.
7. Charoibam Ibomcha Singh aged about 23 years, S/o Late Ch. Inakhunba Singh by profession businessman a resident of Khwai Lalambung, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur.

WHEREAS, the plaintiff have instituted a restoration application in connection with the above referred Original (Eviction) Suit No. 62 of 2015 against you and you are hereby summoned to appear in this court in person or by a pleader duly instructed and able to answer all materials questions relating the suit to answer the claim of the plaintiff on 04-04-2018 at 10.30 a.m. and you are hereby directed to file on that day a written objection if any of your defence to answer the claim of the plaintiff.

Take notice that in default of your appearance on the aforesaid date and time, the case shall be heard and determined in your absence.

Given under my hand and seal of the Court on this 26th day of March, 2018 at Imphal.

SEAL :
By:-
Advocate

Sd/- Ojesh Mutum,
Civil Judge Senior Division,
Imphal West at Lamphelpat

HL-P/3260/2&3